### ৪ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল নেতানা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিংগী ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) গী মীৎয়েং মখাদা বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট (বি বি এ আই দব্লিয়ু দি) না শীন্দুনা নাওরেমথোং শমুশঙ ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা ব্রিলিয়ন্ট কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল নেতানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রে।




তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তরুক্কী শাফবা অমসুং শাফবী ৪৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মরিশুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং অমসুং অনীশুবা মেন্স ফিটনেস কনটেষ্ট ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনিয়র এন নোরেন, এ এম জি দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট এস থন্বাল শর্ম্মা, দ্রোনাচার্য্য এৱার্দী এল ইবোমচা, ভারতি এয়রটেলগী বিজনেস পার্টনর ভিনসেন্ট নামৈরাকপম, বি বি এ আই দব্লিয়ু দিগী প্রসিদেন্ট সাপম জয়চন্দ্র অমসুং ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদকী মেনেজর এল সুরঞ্জয়না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী শাফবা ৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শাফবা ৯, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শাফবা ৯, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী শাফবা ৩, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী শাফবা ৫ অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী শাফবা ২ না শরুক য়াখি।

মরিশুবা মিষ্টর ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং অমসুং অনীশুবা মেন্স ফিটনেস কনটেষ্টকী বোদি বিল্ডর্স জুনিয়র কেটিগরিগীদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কৈশাম মিজেননা অহানবা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী হিজম মালেমঙানবনা অনীশুবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম দি সাহবাসনা অহুমশুবা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱাঙ্খেময়ুম সঞ্জয়না মরিশুবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী সোরাইসম প্রিয়াঙ্কারনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

মাষ্টর্স বোদিবিল্ডিং ওপনদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মুতুম অমরনা অহানবা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এন ওজিৎনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। ৰুমেন কেটিগরিদনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্খেম জমুনানা অহানবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইঙুদম কবিতানা অনীশুবা পোজিসন তাখি। সিনিয়র কেটিগরিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল নেতানা অহানবা, ইম্ফাল ইষ্টকী লাইশ্রম গোপেশ্বরনা অনীশুবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী সোইবম রোবর্টনা অহুমশুবা, ইম্ফাল ইষ্টকী এল রোবর্ট মৈতৈনা মরিশুবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মুতুম অমরনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি। মরিশুবা মিষ্টর ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং অমসুং অনীশুবা মেন্স ফিটনেস কনটেষ্ট ২০১৮ গী ওভরোল ৱিন্নর ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল নেতানা ওইদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

মরিশুবা মিষ্টর ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং অমসুং অনীশুবা মেন্স ফিটনেস কনটেষ্ট ২০১৮ গী টিম চেম্পিয়ন ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা তাখি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা টিম রন্নর্স অপ তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সিনিয়র কেটিগরিদা ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, ট্রোফি, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ২০,০০০, ওভরোল রন্নর্স অপ তাখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৭,০০০, সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৪০০০, জুনিয়র কেটিগরিদা ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, ট্রোফি, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৭০০০, ফর্ষ্ট রন্নর্স অপ তাখিবা শাফবদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৪০০০ অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ২০০০ খূৎশিন্নখি।

মাষ্টর্স কেটিগরিগী ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, ট্রোফি, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৫০০০, অনীশুবা পোজিসন তাখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৩০০০ অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ২০০০, মেন্স ফিটনেস কেটিগরিগী ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, ট্রোফি, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা লীশিং ৫০০০, অনীশুবা তাখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৩০০০, অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা শাফবদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ২০০০, ৰুমেন ওপন কেটিগরিদা ৱিন্নর ওইখ্রবা শাফবীদা সর্টিফিকেট, ট্রোফি, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৭০০০, অনীশুবা তাখ্রবী শাফবীদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ৪০০০ অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা শাফবীদা সর্টিফিকেট, মেদল অমসুং শেলগী মনা লুপা ২০০০ সু খূৎশিন্নখি। টিম চেম্পিয়নদা শেলগী মনা লুপা ২০০০ অমসুং বেষ্ট পোজরদা শেলগী মনা লুপা ১০০০ সু থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা খূৎশিন্নখি।

### ৬ শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ লোইশিনখ্রে

# মণিপুর শুটিং টিমনা মেদল ৩৫ ফংদুনা ওভরোল টিম রন্নর্স অপ তাখ্রে




আইজোল, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী)ঃ মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা থা অসিগী ৬ তগী ১৩ ফাওবা নুমিৎ ৮ নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা মণিপুরগী শুটিং টিমনা গোল্ড ১০, সিলভর ১৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ১১ পূন্না মেদল ৩৫ ফংদুনা ওভরোল টিম রন্নর্স অপ তাখ্রে।

অৱাং নোংপোক্তা লৈবা ষ্টেট নিপানগী শুটর কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা অসামনা গোল্ড ২০, সিলভর ১১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ পূন্না মেদল ৩৬ ফংদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওভরোল টিম চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা মণিপুরনা পূন্না মেদল ৩৫ ফংদুনা ওভরোল টিম রন্নর্স অপ, মিজোরামনা গোল্ড ৬, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ১৮ ফংদুনা অহুমশুবা, মেঘালয়ানা গোল্ড ৬, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ১৫ ফংদুনা মরিশুবা, সর্ভিসেসনা গোল্ড ৩, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৭ ফংদুনা মঙাশুবা অমদি নাগালেন্দনা গোল্ড ১ খক ফংদুনা তরুকশুবা পোজিসন তাখিবনি।

পনবা য়াবদি, তরুকশুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী শুটর ৫৮ না হৌখিবা ওগষ্টকী তাং ২ দা আইজোলগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। মণিপুরগী শুটরশিং অদুদি আর কে সনাহল, কে প্রেম, লোইয়ুম্বা লৈতানথেম, এন্দ্রিয়ু তেলহৈবা লৈতানথেম, এরিনা লৈশাংথেম, গ্রিনলেন্দ ৱাংজম, লোয়াঙম্বা ঙরাংবম, লৈহাওথাবম ধনরাজ শর্ম্মা, হেম্থোই নোংমাইথেম, অচোম স্মিথ, গুরুময়ুম দেবজীৎ শর্ম্মা, লাবিস ওইনাম, জ্যোটিকা লাইশ্রম, ষ্টেসি লৈতানথেম, লৈহাওথাবম পুস্পা, রাজদীপ্সন লোংজম, দেবিদসন খুম্বোংময়ুম, ভেরোনিকা অঙোম, থৌনাওজম অমোতোম্বা মৈতৈ, রতনকুমার, ফ্রেন্সি ক্ষেত্রিময়ুম, মোংজম মালেমঙানবা, আর কে মমতা, পুখ্রম্বন সোফিয়া, হিজম ইনুংঙম্বি, রোহন থাংজম, ভিক্টর নাওরেম, ৱাহেংবম জুলিয়া, য়াইফবি তালেম, নাওরেম খন্দ্রজিৎ, নিংথৌজম সনি, কাংজম অমরজিৎ, নোংমাইথেম য়ুবরাজ, কোব্রাইলাৎপম অসিস শর্ম্মা, অমুকচম য়োহেনবা মৈতৈ, নিকিতা খুলেম, ব্রহ্মচারিময়ুম সান্তি কুমার শর্ম্মা, বি জোসি কুমার শর্ম্মা, ফুরাইলাৎপম রাহুল শর্ম্মা, পাওম্বম কুঞ্জবিহারি, থিয়াম বেঞ্জামিন, সমুরাইলাৎপম তুলকি, খোইরাকপম গ্রবিতা, খুলাকপম সুলতানা, সোফিয়া, মিনর্ভা লৌবুকতোংবম, অরিবম প্রবিন শর্ম্মা, জেনিফর লাইশ্রম, অজয় হুইদ্রোম, গুরুময়ুম জেনিসনা, কুনিসম তোনাম্বম, হেরিকোনবা মঙাংচা, য়ুম্নাম ঘনাশ্যাম মৈতৈ অমসুং সৌগাইজম এলেক্সনি। মণিপুরগী শুটিং টিম অসিগী কোচ ওইনা এন ইবেমপিশক অমসুং মেনেজর ওইনা এল কুলবন্তনা লুচিংখিবনি।

# ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমদা শরুক য়ানবা মণিপুরগী শান্নরোয় ১৪, ওফিসল ৩ খল্লক্লে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ ইন্দোনেসিয়াগী সিটি অনী জকরতা অমসুং পালেম্বাংদা থা অসিগী ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী শান্নরোয় ১৪ অমসুং ওফিসল ৩ খল্লক্লে। তোঙান তোঙানবা এসিয়াগী লৈবাকশিংনা শরুক য়াদুনা মশান্না ৪০ গী ইভেন্ট ৪৬৫ ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৮ দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো মশান্নদা মীওই ৩০ না শেম্বা টিমদা মণিপুরগী নুপা শান্নরোয় ৮ অমসুং শান্নরোয় ৬ অমদি ওফিসল ৩ খল্লক্লে। ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপা শান্নরোয় ৮ অদুদি ৱাই অকাশ, দব্লিয়ু হেনরি, দব্লিয়ু সনজেক, এন জি জোতিন, এস মালেমঙানবা, টি ঐচ সৈতরাম, জি জিতেশ্বর অমসুং কে ঐচ নিকেননি। নুপী শান্নরোয় ৬ অদুদি এম অরুনা, ঈ রোমিতা, ও চাওবা, এ মাইপাক, পি লিম্থোইঙম্বী অমসুং ৱাই ঙাম্থোইনি। মণিপুরগী কোচ ৩ অদুদি বি অঙৌবা, টি ঐচ মুহিন্দ্রো অমসুং ঐচ কিরন কুমারনি। এসিয়ন গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা নুপী টিমগী শান্নরোয়শিং অসিনা টিম ইভেন্ট অমদি রেগু ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। অদুগা নুপা টিমনা টিম ইভেন্ট অমদি ক্বাদ ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। মণিপুরগী সেপাক তাক্রো শান্নরোয়শিং অসি এস এস বিদা থবক তৌদুনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবনি। লোয়ননা ব্রহ্মচারিময়ুম অঙৌসনা শর্ম্মা য়ু পিগী সাইদা কোচ ওইনা লৈরিবনি।

# মণিপুরগী করাটে শান্নরোয়শিংনা মেদল ১৪ লৌরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ ন্যু দিল্লিগী টলকাটোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১০ দগী ১২ ফাওবা করাটে এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা সৈকো কাই ইন্টর্নেসনল, ইন্দিয়া এন্দ ভারত করাটে একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ১৪ শুবা ওল ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স কপ করাটে চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা মণিপুরগী করাটে শান্নরোয়শিংনা গোল্ড ৫, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ১৭ লৌরক্লে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী করাটে শান্নরোয়শিং অদুদি চহী ৭ মখাগী কেটিগরিদা প্রাতিক দহালনা কটা ইভেন্টতা গোল্ড অমসুং কুমিটে ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ, চহী ৭ কী কেটিগরিদা থোইহেনবা নাওরেমনা কটা ইভেন্টতা গোল্ড, চহী ৮ গী কেটিগরিদা অরয়ান্স গুপ্তনা কটা ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ অমসুং কুশৱাহা কার্টিয়েকা কুমিটে ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ, চহী ৯ গী কেটিগরিদা মেনোম রুহননা কটা ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ অমসুং ঐচ পিবা ঙানবনা কুমিটে ইভেন্টতা গোল্ড, চহী ১২/১৩ গী কেজি ৪০ মখাগী কেটিগরিদা এম তোমথিন ঙানবনা কুমিটে ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ, কেজি ৪০ মথক্কী কেটিগরিদা অঙ্কিৎ প্রসাদনা কুমিটে ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ, কেদেট কেজি ৪৫ মখাগী কেটিগরিদা এস ঐচ জোননা কুমিটে ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ, কেজি ৫২ মখাগী কেটিগরিদা এস সুরেশনা কুমিটে ইভেন্টতা সিলভর, জুনিয়র কেজি ৬৮ মখাগী কেটিগরিদা দব্লিয়ু লনচেনবা লুৱাংনা কুমিটে ইভেন্টতা সিলভর, সিনিয়র কেজি ৬০ মখাগী কেটিগরিদা এম দি অমির খাননা কুমিটে ইভেন্টতা গোল্ড অমসুং কেজি ৬১ মখাগী কেটিগরিদা দব্লিয়ু বেবি সোরি চনুনা কুমিটে ইভেন্টতা গোল্ড লৌখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারম্বা মণিপুর করাটে টিম অসিদা টিম কোচ ওইনা সেনসৈ এন সুরজিৎ মৈতৈ, এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা সেমপাই ওমেশ মাইমোম, মণিপুর টিমগী দেলিগেট কম রেফরি ওইনা মুতুম বনকিমনা ওইখি হায়না মণিপুর এমেচর করাটে-দো এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি সিহান মুতুম বনকিমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# অৱাং নোংপোক্কী থাক্তা পাঙথোকপা রেফরি ট্রেনিং কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া মুএথাই অমসুং মুএ বোরোন ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা গ্লোবেল ইন্টর্নেসনল মার্সিয়ল আর্টস ফেদরেসন (জি আই এম এ এফ) নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া অমসুং ওল মণিপুর মার্সিয়ল আর্টস এসোসিএসন (এ এম এম এ) গা খূৎশম্নদুনা থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা ১৩ ফাওবা শিংজমৈ চীংঙামথক টেন্নিস কোর্টতা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা অৱাং নোংপোক থাক্তা পাঙথোকপা রেফরি ট্রেনিং কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে।

ট্রেনিং কেম্প অসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা জি আই এম এ এফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা টেক্নিকেল দাইরেক্টর এন জি জিৎ খুমনচা, ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডো. ঐচ রোমেন, ওর্গনাইজেসন দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী চেয়রমেন টি ঐচ প্রমানন্দা অমসুং ওল মণিপুর মার্সিয়ল আর্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ উদোইচান্দনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা জিৎ খুমনচানা হায়খি, ট্রেনিং কেম্প অসিদা মণিপুরদগী রেফরি ১২ না শরুক য়াখি। লোয়ননা মখোয়শিং অসি ৱর্ল্ড মুএথাই অমসুং মুএ বোরোন ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল ইন্দিয়া মুএথাই অমসুং মুএ বোরোন ফেদরেসন অমসুং জি আই এম এ এফনা শীন্দুনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৭ তগী ওক্টোবর ১ ফাওবা অসামগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী বোক্সিং ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর্নেসনল রেফরি/জজ সেমিনার অমসুং এদভান্স ট্রেনিং কেম্পতা শরুক য়ারুনবগীদমক খল্লক্লে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরগী বোদিবিল্ডিং টিম শেম্নবগীদমক শাফবা ৮ অমসুং ওফিসল ৪ খনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ বিহারগী পটনাদা সেপ্টেম্বরগী ৮ অমসুং ৯ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫ শুবা ইষ্ট ইন্দিয়া বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শাফবা ৮ অমসুং ওফিসল ৪ খনখ্রে।

মণিপুরগী বোদিবিল্ডিং টিম শেম্নবগীদমক ঙরাং ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোকখি। ত্রায়ল সেলেক্সন অদুদা খল্লবা শান্নরোয় ৮ অদুদি - বোদিবিল্ডিংদা কে বি বি টি সীগী কেজি ৫৫ গী কেটিগরিদা এম সঙ্কর মরিং, পি ৱাই জিমগী কে জি ৬০ গী কেটিগরিদা এম হেরোজিৎ, দ জিম নাগামপালগী কেজি ৬৫ গী কেটিগরিদা এম ঘনশ্যাম অমসুং সলাই জিম শগোলবন্দগী কেজি ৭৫ গী কেটিগরিদা দব্লিয়ু মহেশনি।

মেন ফিজিক (সেন্টিমিটর ১৭০ গী মখা) কীদনা কে বি বি টি সী ককচিংগী এন ধনেশ্বর, কে বি বি টি সী ককচিংগী এম দি বেলাল, ৱাই বি বি জিম পিশুমগী এস মালেমঙানবা অমসুং বি বি সী জিম ৱাঙ্খৈগী সনাসম আনন্দনি।

ওফিসল মরি অদুনা আই বি বি এফ এফকী নেসনল জজসু ওইরিবা এম দেবেননা টিম মেনেজর, আই বি বি এফকী নেসনল জজসু ওইরিবা আই বিপিননা টিম কোচ, ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পিটিসন অসিগী ওফিসল ওইরিবা জোইন্ট সেক্রেটরি ঈ ইনাও অমদি অম্বাগী ট্রেজরর নবচন্দ্রনা মণিপুরগী শাফবা টিম অসিবু লুচিংগনি হায়না অম্বাগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# স্পেসল রেসিদেন্সল কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবা শান্নরোয় ১৬ খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ গোৱাদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৫ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা দিভিয়াং প্রীমিয়র লীগ ফুটবোলদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী ৭ এ সাইদ সী পি ফুটবোল টিম শেম্নবগীদমক থাংমৈবন্দদা লৈবা থাউ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ ২০ চুপ্পা চথুগদৌরিবা স্পেসল রেসিদেন্সল কোচিং কেম্প শরুক য়ানবা শান্নরোয় ১৬ খনখ্রে।

মণিপুরগী ৭ এ সাইদ সী পি ফুটবোল টিম শেম্নবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা স্পেসল রেসিদেন্সল কোচিং কেম্প অসিদা খল্লক্লবা শান্নরোয় ১৬ অদুদি লুৱাংশংবমদগী ঙাঙোম ৱাংলেন, লাইরিকয়েংবম লৈকাইদগী এ বেলু রোই, শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ১ দগী এম দি বাহাউদ্দিন, কারোং সেনাপতিদগী কে কে নাখামো, কামেং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী এস রুবিকান্ত, সেনাপতি বজারদগী দাইখো চিসিওটে, কাংপোকপী বজারদগী সন্তোস গুপ্ত, হাওবম মরক ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অকোইজম লনচেনবা, সেনাপতি বজারদগী কে ঐচ কাইফাস, নোংপোক কৈথেলমান-বীদগী শরাংথেম সুরেশ, চজিং করামদগী কে গোবিন্দ, য়াইরিপোক য়াম্বেমদগী এন জি রুবি, কাংপোকপী ঙহামুনদগী জাংমিনলেন কে, মাইরোল খুলদগী এম দি সহিদ, সলুংফমদগী ৱাই রনবির অমসুং মপাও কৈথেলমানবীদগী য়ারেশা য়ানোনি।

নুমিৎ ২০ চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পেসল রেসিদেন্সল কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১৪ গী নুংথিল পুং ১ দগী ২ ফাওবগী মনুংদা মশা মশাগী ফুটবোল কিটস, বেদসীটস অমসুং ব্লাঙ্কেটনচিংবা পুরক্তুনা কেম্প অসিগী মেনেজর এ জানেশ্বরদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। মণিপুর মাউন্টস টিম শেম্নবগীদমক শান্নরোয় ১১ খনগৎকনি হায়না ৭ এ সাইদ সী পি ফুটবোল ফেদরেসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এম ইনাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুরগী জিৎ কুনে দো টিম ন্যু দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ ন্যু দিল্লিগী ট্যাগরাজ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে কপ ওল ইন্দিয়া জিৎ কুনে দো চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী জিৎ কুনে দো টিম লাক্লিবা ওগষ্টকী তাং ১৫ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি। ইন্দিপেন্দেন্স কপ অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী জিৎ কুনে দো শান্নরোয়শিং অদুদি এলিনা, দাইনা, জেলিনা সাপম, অঞ্জনা চনু অমসুং এম নেলসননি। টিম অসিগী ওফিসল ওইনা আই জে কে দি এফকী জজ ডো. এম ইবোমচানা টেক্নিকেল ওফিসল ওইনা শরুক য়াগনি হায়না জে কে এ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি ডো. ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# ৱাই দি সী টিম এ চেরাপুরনা অহানবা ৱাই দি সী অন্দর ১০ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

থৌবাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সী) চেরাপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী হৌদুনা ৱাই দি সীগী প্লেগ্রাউন্দদা চথুরকখিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অন্দর ১০ সেভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চেম্পিয়ন য়ূম্বু ওইরিবা ৱাই দি সী টিম এনা ওইখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অন্দর ১০ সেভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সুরজকুমার, খাঙবোক এ সীগী এক্স এম এল এ ওক্রম লন্ধোনি, শঙ্গাইয়ুম্ফম জিলা পরিষদকী মেম্বর এম দি হিবজুর রাহমন, শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট-২ জি পিগী প্রধান নোমিনি এম দি ৱাহিদুর রাহমন, শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট-২ জি পিগী উপ-প্রধান এস ইন্দিরা, নেরোকা এফ সীগী প্রসিদেন্ট থাংজম অরুন, নেরোকা আই লীগকী এসিষ্টেন্ট কোচ সাপম প্রেমচান্দ, নেরোকা এফ সীগী টেক্নিকেল দাইরেক্টর এম নোবিন, নেরোকা এফ সী আই লীগ অন্দর ১৬ কী কোচ তায়েঞ্জম ইবোমচা অমসুং দি এফ এ তেংনৌপলগী পি ঐচ তোম্বনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিংনা ওইনা শরুক য়াখি।

ফাইনেল মেচ ওইনা য়ূম্বু ওইরিবা ৱাই দি সী টিম এ অমসুং বেদনা এফ সী লমদিংগা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী অনীশুবা মিনিটতা বেদনা এফ সীগী মশুমচানা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু বেদনা এফ সীনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মিনিট ৯ কান্নরগা ৱাই দি সী টিম এগী এল ৱিকসননা বেদনা এফ সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু টাই ব্রেক তাদুনা এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নখি। অদুবু টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা অমুকসু টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা ৱাই দি সী টিম এনা বেদনা এফ সী লমদিংবু গোল ৪-২ দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা মায়থীহৌরবা বেদনা এফ সী লমদিংনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

অহানবা ৱাই দি সী অন্দর ১০ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা দব্লিয়ু ৱাই সী টিম সী থৌবাল ৱাঙ্খেম, বেষ্ট গোলকীপরনা ৱাই দি সী টিম এগী এম দি সুরজ, বেষ্ট প্লেয়রনা বেদনা এফ সীগী কোইজম মায়পাকস্না অমসুং টোপ স্কোররনা এম এস য়ু সীগী এম দি অসিশ পালেনা তাখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা ৫০০/৫০০, ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাই দি সী টিম এ চেরাপুরদা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা ৫০০০ অমসুং রন্নর্স অপ তাখ্রবা বেদনা এফ সী লমদিংদা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা ৩০০০ সু খূৎশিন্নখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com